মতম মতমগী ৱাফম

# মণিপুরী খোরিরোলদা বোধচন্দ্র মহারাজগী মফম


অইবা হায়বা মীশক অসিদা লাইনীং-লাইশোন, কাঙলুপ, অচৌবা মচা, লাইর ইনাকখুনবা খায়দে। ইবু ইনীংলবদি মফম মতমসু নাইদে। পূক্লিংদা ফাওরকপা থম্মোয়গী ওইবা ৱাফম, মপাউ অদু খোঞ্জেল, খোন্থোক্কী মহুৎ শিন্দুনা ৱাহৈনা ফোঙদোকপনি। মসি মহৌশানা থম্মোয়দা পীরকপা খুদোল ওইগনি। মী খুদিংমক থম্মোয় পাল্লগসু থম্মোয়গী ওইবা মপাউ ফোংদোকপদি ঙমজদবসু লৈ।

মণিপুরদা নিংথৌরোল কয়া লৈখ্রে। তৌবা ঙম্বা, লৈপাক ঙাকপদা, শাদা লান্দা থৌবা, খুৎ-শা হৈবা লম্বী থোং শেন্বদা, নাৎকী ওইবা থৌরমশিংদা চাউখৎনবা হোৎনখিবা কন থৌবা কয়া কয়ানি। মাঙলমচৎকী নিংথৌশিংনা মখোয়গা লোয়নখিবা মাইচৌ পণ্ডিৎশিংগা তান্নদুনা লাইরিক (পুয়া) মখল কয়া ইদুনা থম্বীরম্মী । লাইরিকশিং অদুদা ইরম্বা কয়া অদুনা ঐখোয়না ঙসি মণিপুরগী খোরিরোল চাউখৎলম্বা থাক কয়া অদু শীংথাদুনা অতোপ্পা মীরমদমগী মমাঙদা চাউথোকচবা ঙম্লি। চহী লীশিং অনী হেনবগী পুৱারী লৈরম্লে হায়রিবসি নিংথৌশিং অদুনা মখোয় মখোয়না পানখিবা মতমদা থেংনখিবা থৌদোক ৱারী কয়াগী লাইরিক মখল কয়া ইদুনা থম্বীরমখিবা অদুগী মতেঙননি। অসুক মমল য়ামখ্রবা লাইরিক কয়া থম্বীরম্লগসু নিংথৌ অমত্তনা মহাক্না ইরম্বনি হায়না অইবা নিংথৌ মশাগী মমিং থাদুনা থম্বা চৎনরক্তে। নিংথৌ নিংথৌ অদুগী মতমদা ইরম্বনি হায়বগী ৱাফমদি খঙবা ঙম্মী। অসুম্না অঙনবা মতমগী খোরিরোলদা চৎনরকখি। মণিপুরগী অরোয়বা নিংথৌ ওইখিবা মহরাজ বোধচন্দ্রগীদি মশামক্না ইদুনা থম্লম্বা মশাগী মমিং থাবা লাইরিক অনী ফোঙদুনা থম্বীরম্মী। লাইরিক অনীসি শৈরেং ঙাক্তনি। অহানবা শৈরেং লাইরিক অসি 'শীঙেন নাচোম' কৌই। চৈচৎ কুমশীং ১৯৩৯দা ফোঙখি। অনীশুবা খুৎনম ওইনা ১৯৫০ দা কপী মশীং ৫০০ অমুক হন্না ফোংখি। লাইরিক অসিগী প্রিন্টর-শ্রী রাসবিহারীসিংহনি । ফ্রেণ্ডস ইউনিয়ন প্রেস, ইম্ফালদা নমখিবনি। লাইরিক অসি লামায় ৫৯ পাল্লি। লাইরিক অসিগী মমল থাবা থেংনদে। 'অইবা' হায়না থাবগী মহুৎতা 'লেংজবা মহারাজকুমার শ্রীবোধচন্দ্রসিংহ' অসুম্না ইরি। 'অইবগী ৱারোল' হায়বসু করিগুম্বা অমত্তা ফোঙদোকপা লাইরিক অসিদা থেংনদে অদুবু 'কচ্চবা' হায়দুনা য়াম্না নোল্লুকনা অসুম্না ইরি।

কচ্চবা- **মৈতৈ লৈমগী অথোইবা প্রেমগী ঈফুৎনা মীওইবগী ঈচা চাদবা মতমদা মৃৎপা য়াদবা ঈফুৎ ওইনবা হায়দুনা অমসুঙ মীগী মরোন্দা তাংবিদনবা 'শীঙেন নাচোম' কৌবা লাইরিক মচা অসি লেংজদুনা মৈতৈ লৈমগী চরন্দা কচ্চরি।** মহারাজ বোধচন্দ্র মরৈবাক মরমদমবু নুংশিজখিবা মীশক অমা ওইখি হায়বসি ইরল্লিবা 'কচ্চবা' হায়বা ৱাহৈ খর অসিদগী খঙবা ঙম্মী । মহারাজ বোধচন্দ্রনা লাইরিক ফোঙখিবা মতমসি মশাগী চহী ৩১ শুরে। (পোকখিবা চহী ১৯০৮, জুলাই ২৪, ইরাই নুমিৎ, লাইরিক ফোঙখিবা চহী ১৯৩৯) মতম অসি মণিপুরী খোরিরোলগী লমদসু অকনবা ঈহৌ লৈবা, খোঙজেল য়াঙনা চেনখৎলকখিবা মতম্নি । চাউবা কমল, অঙাংহল, ইরাবত,দরেন্দ্রজিৎ, নবদিপচন্দ্র, শীতলজিৎনচিংবশিংনা কন্না ইখৎনরকপা মতম্নি। হিজম ইরাবতনা খুৎইদা 'মৈতৈ চনু' চেফোঙ ১৯২২দা পুথোকখি। থাগী চেফোঙ 'য়াকায়রোল' (১৯৩০), নুংতিগী ফোঙবা 'দৈনিক পত্রিকা' (১৯৩৩) নুমিৎ হুম্নি হুম্নি লৈরগা ফোঙবা 'মণিপুর মতম' (১৯৩৭), চয়োলগী চেফোঙ 'তরুন মণিপুর' (১৯৩৮) মখল শুনা ফোংদুনা লৈরে। মীয়াম্না পান্নখিবা ঙাক্তনি। ১৯৩৫তা সাহিত্য পরিষদ লিংখৎতুনা মণিপুরী লোল অমদি খোরিরোল চাউখৎনবা অকনবা ঈহৌ লৈরিবনি। অকনবা মণিপুরী খোরিরোলগী খোঙচৎকী মতমসি মহারাজ বোধচন্দ্রনা নিংথৌ ওইনা পানদ্রিঙৈনি। বোধচন্দ্রনা লৈঙাকখিবগী মতমসি চৈচৎ কুমশীং ১৯৪১ দগী ১৯৫৫ ফাওবনি।



মহারাজ বোধচন্দ্র (১৯০৮-১৯৫৫)




শীঙেন নাচোম ১৯৩৯




ওঁ গুরু মন্ত্র ১৯৫০

অহানবা মহারাজ বোধচন্দ্রগী **'শীঙেন নাচোম'** কৌবা লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং ১৫ য়াওই। অহানবদা **হে মীওইবা** হায়বা শৈরেং অসিনা হৌই। শৈরেং অসি মহারাজ মশানা **'জীবন মুক্তি'** হায়নসু মথক্তা ইজৈ। মীওইবা মপোক, পূন্সিবু মশক তাকপা খঙনবা মওংদা শৈথাই।**"থাদোকউ আশাগী লমতানবা করি তৌদুনা খল্লিবা তৌগনু খৌরাংবা পূকনিঙ য়াওনা খরদং ফংজবা নহাক্কী তৌজবা ফলনা কর্ম্মগী লৈজৌ নঙগী পূক্লিঙ পেন্দুনা ।।১।।"** মখা তারকপদা অমুক - **"অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা পূক্লিঙ চঙলে শান্নবদা লৈরে ঈ ঙাওদুনা মথোল কারকপদা লুপলে ৱাখলগী সমুদ্রদা অহল ওইরকপা মতমদা খন্দ্রে কনাসু ঈশ্বর ফংনবা ।।১১।।"** বনানগী কাঙলোন্দা থোইনা চেকশিনবা উদে। **পূক্লিং** হায়বসিগী বনানদা **পূকনিঙ** হায়নসু অমুক ইরি।

লমদমসিগী শক্লাইরবা গুল্লাপ্পীনা শকখিবা মীয়াম্না ঙঙনখিবা, খঙনখিবা **" মতম কয়া লেল্লে অঙাং ওইনা.."** মনশিক্ষা ঈশৈ অসিগা মহারাজ বোধচন্দ্রনা লেংখিবা শৈরেংগী মনুংদা য়াওরিবা ৱাহৈশিং অসিগা নক্নবা, মান্নবা কয়া থেংনৈ। মহাক্কী শৈরেংদগী ঈথিল ইনোৎ লৈখিব্রা হায়বসি নৈননিংঙাই ওই। পঞ্জনিংলিবা ৱাফমদি, মহারাজগী শৈরেংদা তারিবা মমিসি পূক্লিং ৱারকপা, ঈশ্বরবু থাজজবা, ইমা লৈবাকপু নুংশিজবগী মফমদা কৎথোকপগী ৱাখল্লোন অসিদনা হেন্না মমি তাই। মহারজগী অতোপ্পা শৈরেং **'তেংথাজবা'** হায়না মিংথোনবা অসিদা মহৌশাগী নীংথিজববু শৈথারি। ঙসি ঐখোয়না মহৌশাগী অকোয়বা ঙাক শেন্নবা মখল কয়াগী থৌরম লৌখৎলি। খোল্লাও ৱাহৈ (স্লোগান) কয়া শীজিন্নদুনা মহৌশাবু ঙাক শেন্নবা হোৎনরি। অঙনবা মতমদা মহারাজ বোধচন্দ্রসু মহৌশাগী মরমদা শৈথাদুনা শৈরেং ইরম্বা থেংনৈ। **'নিঙথিজৈদা শকহেনবী ইমা অশংবা চীঙগী নাপোমদা অচৌবা ফুরা দলালনা ঈমাগী গুণবু হেল'লি।...অরংবা নুমিৎকী মশেক্না হাইফেৎ 'ইফেৎ য়ৈবদি করিদা মনীঙথিজবনো উজদ্রি পূন্সী অসিদা ।।'** অতোপ্পা শৈরেং **'নুংশি কায়নবা'** হায়না মিংথোনবা শৈরেংদা অমুক মহৌশা অমদি ইরমদমবু শৈথাবদা অসুম্না ফোঙদোকই- **লৈরাং মনম নুংশিবা হৈরাঙ মমুন ফারবা তাইবঙনা নঙগী ঙাকলি লৈজবা খিবীক থমলি। নোংইন কৌবা চেক্লানা পামেল উশাদা তোংদুনা থাজ থানিনবু য়েংদুনা প্রেমগী অমৃত য়াবগুম।** শৈরেংশিং অসি লাইরিক অসিদা ইবা মতমদা মহারাজ বোধচন্দ্রা শৈরেং ইবগী মওং পরিং কায়দনা, লোইচৎ মখোঙ চুম্না ইরি। ঐহাক্না মফম অসিদা কোট তৌদুনা ইবদা স্পেসকী মফম য়েংদুনা পরেং অমদা ইজবনি। অইবগী লাইরিক্কী অশেংবা শৈরেংগী মওং অদুদি নৎত্রে। শৈরেংশিং অসি চাউবা,কমল অমদি হিজম ইরাবতকী শৈরেংগী মওংগুম্না খুৎফোংদোক মান্নবা কয়া থেংনৈ ।

মহারাজ বোধচন্দ্রগী অনীশুবা লাইরিক 'ওঁ গুরু মন্ত্র' হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অসিসু অহানবগী মওং অসিদগী থোইদোক্না লাপথোক্না চৎখিদে। লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনৈ। লাইরিক অসি কাব্য শৈরেং শক্তমদা ইবনি হায়না থারি। শ্রীশ্রী ঁগোবিন্দজীউ ব্রহ্মসভা,ইম্ফালনা ফোঙবনি। লাইরিক্কী মমল লুপা ১ পৈশা ২ পী। চেনা ৭৮ পাল্লি। চুরাচান্দ প্রিন্টিং প্রেসতা কপী মশীং লীশিং অনী নমখি। লাইরিক অসিদদি অইবগী মিং অসি অহানবগী অসিগা খেন্নরে। শ্রীযুৎ বোধচন্দ্র সিংহ মহারাজ, মণিপুর হায়না শীজিন্নরে। লাইরিক অসি ব্রহ্ম সভানা ফোঙই । অয়াবগী অইবা ৱারোল ব্রহ্ম সভানা ১৯৪৯পীদুনা য়াওরে। **"শ্রীল শ্রীপঞ্চযুক্ত মণিপুরেশ্বর মহারাজ স্না খুৎনা থোনবা 'গুরু মন্ত্র' কৌবা লাইরিক অসি ব্রহ্ম সভানা মূন্না পারে । মী ওইনা পোকপা খুদিংমক্কী খংদবা, তৌদবা য়াদবা অমসুং পাউতাক্না থল্লবা-ধর্ম্মপ্রাণ ওইবা মীশিংনা লুনা তৌনফম থোকপা লাইরিকনি। নিংথৌগী চাওরবা বৈভব মরক্তা ঙাইহাক্তসু ৱাইশংদ্রবা সনা পূক্লিংদা- অসিগুম্বা লুরবা ঈচেল অমা ফাওরম্বা অসি উবদা ব্রহ্মসভানা ঙমখৈ লৈতনা পেল্লদুনা 'কবিরত্ন' হাইবা সনা মিংথোল অমা শ্রীযুৎ সনা নামদা হাপচরি। অসিগুম্বা সনাপুক্লিং অসি লেংদনা লৈদুনা মতম কুইনা শ্রী ঁগোবিন্দজীউগী সেবা ফংনবা ব্রহ্মসভানা আশীষ তৌরি।"** অসুম্না ইরি। ৱারোল অসিগী মখাদা অয়াবা পীরবা ব্রহ্ম সভাগী মীওই ১৪গী মিং পীরি। মথংগী চেনাদা মতম অদুগী শক্ল ইরবা শ্রী অতোম্বাপু শর্ম্মগী ৱারোল চেনা ৭ পানবা অমসু শ্রী পঞ্চমী নুমিৎতা ইদুনা হাপ্লি। মথংগী চেনাদা অইবগী ৱাহৌদোক ৱারোল য়াওই। অইবগী ৱারোল ৱাহৌদোক অসিনা তাং ২৩/১/ ১৯৫০ হায়না থাই। ইরল্লিবশিং অসিগী মতুংইন্না ব্রহ্ম সভানা ১৯৪৯ অয়াবা ৱারোল পীরবা মতুং ১৯৫০দা ফোঙবনি হায়বসিদা ময়েক শেংই। মহারাজ বোধচন্দ্রা চৈচৎ কুমশীং ১৯৫৫ ডিসেম্বর তাং ৯ ইরাই নুমিৎতা লৈখিদে।

পঞ্জনিংলিবা ৱাফমদি মহারাজ বোধচন্দ্র অইবা অমনি শৈরেংবনি। মতম অদুগী খ্বাইদগী অৱাংবা ব্রহ্ম সভামক্না 'কবিরত্ন' মিংথোল পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবনিনা ঐখোয়না মহারাজ বোধচন্দ্রবু মণিপুরী খোরিরোলগী পুক্কৈদা 'কবিরত্ন' খ্বাইরাকপম চাউবগুম মহাকপুসু 'কবিরত্ন' মহারাজ বোধচন্দ্র হায়না ইকায়খুম্নফম থোক্লোইদ্রা হায়বা ৱাফমসিনি। মহারাজ বোধচন্দ্রনা শৈরেং লাইরিক অনী ইরম্মী হায়বসি মণিপুরী খোরিরোল শুবশিংগী চিন্দা হৌজিকসু ইপন পনবা থেংনদ্রি। মতাংসিদা সাহিত্য পরিষদকুম্বা কলচরেল ফোরমগুম্ব ইকায়খুম্নজরিবা সংস্থানশিংগী পূক্লিং চিংশিনবা অমা চংলি। ◀◀

*-মাখোনমনি মোংসাবা*

---

ৱারী ককনাউ

## খোইরাই

মনীং লৈকায়গী ইবোচা চহী ৬১ খরা হেল্লে। ওফিস অমদা থবক মচা অমা তৌই। হৌজিক্তি পেন্সন চৎলে। মাগী মনীং থংবদা লৈরিবা ইঙ্খোল মচেৎ অদু নহানখৈদি পোৎ চৈ অমত্তা থাদে, মোংশোং ওইনা লৈ। য়েংবদসু ফজদে কুমসিদি হঙ্গাম, কোবি খরা থাজিনগে হায়না নুমিৎ মরি মঙানি চঙনা ইবোচানা তৌবনে, লৈতুম থুগাইবনে ফজনা শেমজরে। চুরিগা ফজনা হাইগৎতুনা আলু ফৈদোম মচা অমনে, হঙ্গাম, কোবি খরনে থাজিল্লে। অযূক্কী নুমিদাংগী ঈশিং চাইদনা ৱানা হোৎনজৈ। ইবোচানা নুংতিগী য়েংজৈ চুরুট মচৈ অমা থল্লগা। নাপী মচা অমা হৌগৎলকপদা চেনশিন্দুনা ফোইদৎলি। ঈশং শংনা হৌগৎলকপগী য়েংবা কন্না নুংঙাইখৎলক্লবা মতমদুদা নোংমা নুংথিল অমা ষণ চঙদুনা চাথোক্লম্বদগী ঈ কানা শাউরবা ইবোচাদু শম্বল খাদ্রদি য়াররোই হায়না শম্বল খানবা থৌরাং তৌই।

মাগীনি হায়বা ইঙ্খোলগী অরোইবা শরুক্তু ৱা ফজনা হৌই। মদুদগী ৱা অনী অহুম য়াল্লগা শম্বল খানবা হায়দনা থাঙজৌ অমা পায়রগা চৎলি। লিরপ তৌবা ৱা খল্লে, য়ানবা হৌরকপদা, ৱা মতোনদুদা খোই মহুম অচৌবা অমা শারম্বজাৎনি। মদুদগী পাইথোরক্লগা হুমাং তাখৈ য়াল্লিবা ইবোচাগী নারুমদা খোই অমনা তাপ লাউনা লাকখিবু ইবোচা খংপ্রেক খংই। মমায় লৈখৎলক্লগা য়েংবদা খোই ময়াম অমনা মাগী অকোয়বদা ঙংদনা পাইশিল্লকই। শিবা তারে হায়দনা চেল্লগা পুখ্রিদা চোঙথরগা খাঙই। পাঙখোল্লা অমা হেক্লগা খোই মহু লৌথোক্লবা তক্লবা মতুংদা মশাদু খিরুম-খিরুম তৌরকই।

লাইহৌ শোয়দনা হৌরক্লনি হায়দনা ফমুংদা চঙলগা পোত্থাই। ইবোচা খোই হায়বসি খ্বাইদগী কিজবা অমনি। খোইনা চিকপগী ৱারী অমনা মাবু মথি শুম ফোংলকই। থৌদোক্তু মহাক্কী পুন্সিদা কাউনবা কয়ারক হোৎনখ্রবনি। অদুবু করিগুম্বা মতমদা হেক-হেক পোপথোরকই। ফমুংদা হিপ্না হিপ্না মহাক্কী ৱাখলদু ফ্লাষ্ট বেক চৎখ্রে।

"ইবানিসে অসুম্না নুংশিনরক্কনি হায়সি থাজব্রা, ঐদি শুংথা থাজরুদে... কয়া কুইরে ঐনা নঙোন্দা নুংশি হায়না চিঠি পীখিবদো, নঙনা পাউখুম শুংপী হেক পীরকখিদে, ঐসে নঙগী ৱাখলদা কয়া য়াম্না ৱাখি" ইবোচানা অপীকপা হোটেলগী ফান অশাংবদুদা মায়োক্লনা ফল্লিবা থোইবীদা য়েংলগা টেবলদা লৈরিবা চা মচু শেংফাত্তবা অযূক্তগী লোল্লগা য়াইশিল্লগা থম্বা গ্লাসতু তপ্না তপ্না উরু-রু লৈরগা হায়। থোইবী ইবোচাদা য়েংই, কুইনা য়েংদে ফৎ লাউনা লৈথোকখি। তশেংবদি ইবোচাবু চহী অমরোম চাংয়েং তৌরগা মাগী পাউখুমদু মমান্নবী মদা পীখিবনি। অদুগা ঙসি উনবা অসিনা অহানবনি। মহাক ইহৈ হৈনীংদবগুম তৌই। অচাপোৎনি হায়না ইবোচানা লৈরিবা বোরাদু চজিক ওল্লে। প্লেট অমদা লুপা তরাগী পূন্না হাপ্পকপনি। মা চাদে, চাদুসু মচুদু উবদা থক্লিংদে হায়দুনা থক্ত্রে। মমায়দি থাঙ্গৎলক্তনা তেন্না খুম্মী।

"উম! চৎলসিরা...কোন্না অমুক উনরসিরা?"

"কৈনো অহানবা উনবনি, ঙাইহাক্তি ৱারী শাখিসিদনা" ইবোচানা ছত্রং শান্নবদা শগোলনা লাম্মগা শামু চাখিবদৌনা থুনা খুমজিল্লকই।

"ঙসিদি ঐ য়াম্না হৈনদ্রে, নোংমা উনরসি, ঐ চৎলগে" শুংশেং শেংদোকপীদ্রবা মীরাং থুবা কাচিন অমদা চঙলুবদা তিলাইখোম্বী চুবদৌনা হনদ্রবা মশাদু লেংলগা থোইবীনা খুমজৈ।

"অদুদি কৈদৌঙৈ উনসি হায়বনো?" ঙরাকপীনা শৎ লাউনা পাইখৎলগা ঈশিংদা চাদুনা শান্নজরিবা ঙা মচা অমা লাক্লগে মতাগুম তাঞ্জা য়েংবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা ইবোচানা নোৎশিল্লকই।

খুম্ফম খঙদ্রবা থোইবীদু ঈক-আ, ঈক-আ তৌরগা,

"মথংগী নিংথৌকাবদা উনসি"

"পুং কয়াদা, মফম কদাইদা" থবক থেংলে হায়না পরপ-পরপ লোইশিল্লগা ময়ূমগী ছোদু য়েৎনা লোল্লগা হঞ্জিল্লক্লগা ওইনা চিংলগা য়েংবদু ঙাই, খোইজংননা হংই।

"পুং তরা, লৈরক মচিনগী খোঙনাং মখোঙ" লম্বীদা পুলিসনা চ্যেক তৌরম্বদা চৎলো হেক হায়বগা কুইরদি ফররোই চৎহৌবনা ফরে খন্দুনা থোইবীনা ফুক হৌগৎলগা খুম্মী। ইবোচাসু হৌগৎলে, ফানদু ইন্থোক্লগা থোকমিন্নরকই, হোটেলগী মমিৎ চোৎলবা ইমাদুদা শেল পীরি। থোইবীদি অদুম থোকখ্রে, হনুবী হোটেল ইমাদুনা পীরিবা শেলদু থাঙ্গৎ-থাঙ্গৎতুনা য়েংলগা শেঙ্গাওদগী শেল হন্নবা তৌরিঙৈদুদা ইবোচাদি থোইবী চৎখ্রে হায়দুনা অদুম তান্নখ্রে। হনুবী ইমাদুনা শেলদু লানখৎলগা পীরকপদদি ইবোচা লৈরমদ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিৎ লাক্লে। অযূক্তগীনি ইবোচানা মীহুন চেনগুম-চেনগানদনা থোইবী উনদৌরিনি হায়না মশাদু লৈতারক্ত্রিসে। পুং ৮ খরা হেনবদা ঙাইরি। পুখ্রি মপান্দা অদুম চৎখ্রে ইরুজবা, মকোক্কদু চেঙহি ফজনা লুজরগা খুনীংগদু তক্তনা কন্না হোৎনরিঙৈ, হোরেন ঐবু করি করি হায়দুইনো হায়না ৱাখলনা লামশিন্দুনা হায়গদবা ৱা কন্না থিরিঙৈ মতমদুদা কদোমদগীনো খঙহৌদে, অঙাংনা মহুম থুগাইবীবদগী শাউরবা খোইরেল লাবা অমা পাইশিল্লক্লগা মাগী মথক থংবা চিনবান ময়াদা নপ্পগা ময়ানা চিক্লগা মহু কামশিল্লম্মী। ইবোচা খংপ্রেই খংনা খোইদু মখূৎনা ফাক লাউনা থাজিল্লগা হাৎতোকপীরে। নাবনা ঙাওরবা ইবোচা মমিৎ তন্দন পাইরকই। পুখ্রিগী থোঙ্গ্রাদা মখোঙ য়ান্থরগা ফমথৈ। হম-হম-হম লাউরগা চিকপদা লোইরে। লোইশিল্লগা ময়ূম য়ৌরে। মিংশেল মমাঙদা লেপ্পগা য়েংলুববু ইবোচা মশাগী মশক্তু উজবদা খংপ্রেক খংই। মাগী মচিন্দু হনুমানদৌনা তৌ লৈরম্মে। য়েংনা য়েংনা করমকান্দা তারকখিবা পিনো খঙদে, কপ লৈরম্মী।

"সিবু ঐবু কমাইনা থোইবী উনদুইনো, চহী অমা য়ারক্তব্রবদা হন্দক্তা উচিন নাচিন্না য়াবোই য়াদবোই তৌবদা ঙাইরি, ঙসি মানা থারকপা নুমিৎসিদা চৎহৌদ্রদি ঐ মাগা অমুক হন্না উনগনি থাজদে, সিবু ঐবু কমাই তৌদুইনো? "ইবোচাদু নুংশা কন্না থিরকই। খনবমখৈ খল্লগা চৎপদি চৎলগে হায়না মাগী রুমান লৈরোং য়েকপদু মচিন খুম্মগা চৎলে। লৈরক মচিনগী খোংনাং মখোঙদা থোইবী লৈরম্মী। ইবোচা মচিনদু রুমালনা খুম্মগা হরাউনা চঙশিল্লি। থোইবীগী মমাঙ য়ৌবদদি মচিনগী ফীভমদু কাউথোক্তুনা রুমালদু লৌথোক্লগা হংই,

"কয়াম কুইরে"

থোইবীনা লৈখৎলকপদা ইবোচাগী ওইরম্মিবা ফীভমদু উবদা টি ভিদা লাকপা রমায়ন সেরিএলদা হনুমান্না লঙ্কা চোঙলমদাইদা মাগী শক্তিনা মশাদু জর-জর চাউথোরকপদা উবা উতুপ-উতুপমুক চাউবা মচিনদু ওইনা উরুরমাল্লে থোইবীদু খঙহৌদনা নোকথোরক্লগা কিবোই করিবোই ৱা অমত্তা খুন্নমদনা চেনখ্রে। ইবোচা থোইবী চেনখ্রবা মতুংদা খঙলকই মাগী মচিনদু শোয়দনা উরম্মনি হায়না রুমালনা খুমজিনজৈ। নুমিৎতুদগী 'থোইবীগা ইবোচাগা উনবা ফংখিদ্রে। থা মরিমুক লৈরগা থোইবীদু অতোপ্পা নুপা অমদা মমা মপানা হায়নরগা লুহোংখ্রে। লুহোংবা নুমিৎতুদা ইবোচানা থোইবীনা দোলাই তোংদুনা চৎখিবদু লম্বীগী চিদাইদা লেপ্তুনা মমিৎতা মপিনা পুমচোৎ চোৎনা উখিবদু হৌজিক্তদা উরকই।

ইবোচানা লৌশিং তারকপদা মশাদু হুমাংনা পুমলুপ লুপ্পম্মে। ৱা য়ানবদা চিকখিবা খোইদুগী চৈনানে, মমাঙঙৈ ইরুজবদা খোইরেলনা চিকখিবনে, পুল্লপ পারগা খোইরাই হৌদুনা মশাদু শুম শুম কোনশিল্লগা ফৈজুপ চিংখৎখি। নুমিৎ তারকপদা মাগী নুপীনা থেংঙে হৌগৎলো হায়না হৌদোরকপদা ইফিং ফিংনা হৌগৎলগা ফমুং ময়ায়দা ফম্মী। পাখৎলবা মাগী নুপীনা হংই,

'কৈদৌরে?'

'খোইরাই হৌরে' ইবোচানা মমিৎতু তরং চৎলগা খুম্মী। মাগী নুপীদি মসি ৱাপল মরক্তা চঙলুবদগী লাই ওক্নরমাল্লে হায়না চেন্থোক্লগা মখা থংবদা লৈবা মাইবদু কৌরুনবা মচাদা পাখোন শীখি।◀◀

*- নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

---

## কুমজা লিশিং অনী তরানিথোইগী ডাইরিদগী

**ইচানুপা** অহলনা অন্ধ্র প্রদেশকী ভিজয়াৱাদাদা তম্লিঙৈদনি। ইচানুপা জোন্দিস নারে হায়দুনা পাখৎতুনা থুনা ফ্লাইট টিকেট ককই। টিকেট ফংদদুনা ইম্ফাল টু কোলকটাগী কক্লগা নোংঙাল্লগা কোলকটা টু ভিশাখাপত্নমগী টিকেট কক্লে।

কুমজা ২০১২গী সেপ্টেম্বর ২৩, নোংমাইজিং নুমিৎতা কোলকটাগীদমক ইম্ফাল থাদোকই। জোন্দিস নাবগী মনা-মশিং, লম থবী, উরি, চুঙৌনচিংবা বেগ অচৌবা অমদা হাপচিল্লি। কোলকটাদা নোংমা লেকএ, কোলকটাদা তম্বা ইনাওনুপীগী মচানা হান্না হোটেল ঙাংনদুনা লৈরম্লে। আশির্বাদ গেষ্ট হাউস, কৃষ্ণপুর, কোলকটা অদুম নাল্লি। নুমিদাংদু অনকপদা লৈবা হোটেল অমদা চাক চারুরে, কৈথেল মচা অমা লৈবদুদগী লৈবা য়াবা খরা লৈরে। নোংঙাল্লগা তাং ২৪ ভিশাখাপতনমগীদমক কোলকটা থাদোক্লে। থোঙনাউ ময়াদা ফল্লগা প্লেন মনুংদগী উবদা নুমিৎতুগী অতিয়াদু ওন্থোক্লা ফজৈ, লৈচিলগী তোঙান-তোঙানবা শক্লোনদুদা ঐ ঙাওখি। লাইরৈবাক য়ৌরবোই নীংলুই। লাইশঙ মানবা, শগোলনা পাইবা মানবা লৈচিলগী শক্লোন কয়াদুদনি ঐনা ঙাওখিবদো। ভিশাখাপতনম য়ৌশিল্লকপদা মথক্তগী সমুদ্র উবদা ওন্থোক্লা নুংঙাইজখি। ঐদি সমুদ্র মপানসু য়াম্না পামজৈ, সমুদ্র মপান্দবু লৈখ্রদি হন্নীংদবজাৎনি।

নুংথিলগী পুং ৪ দা ভিশাখাপতনম য়ৌরে, বস পার্কিংদা লাকএ, নুমিৎতুদা চা অঙাংবদা চম্প্রা হাপ্লগা থকখিবদো নীংশিংলি ঙসিসু, ওন্থোক্লা হাওখি। ঙাইহাক ঙাইরবা মতুংদা বস লাক্তুনা ভিজয়াৱাদাগীদমক চৎলে। লম্বীদা নুমিদাং পুং ৮ অদুৱাইদা চাক চানবগীদমক রাজামুন্দরিদা খাম্মী। চাক চারগা ঙাইহাক লৈরগা বসতু অমুক থারে। গোদাবরি তুরেলসু লাল্লগা লাকই। অহিংগী পুং ১২.৫০ দা য়ৌরে। ইব্রাহিমপতনম, ইচানুপাগা মমান্নবা অমগা ঙাইদুনা লৈরম্মী। ওটো রিক্সো অমা ৱাইরগা মখোয়গী লৈফমদা চৎলে। কা অচৌবা অনীনি। অদুম নুংঙাই। নোংঙাল্লগা ঐনা পুবা মনা-মশিংদু অমা অমুক অমা অমুক ফুৎলগা পীথক্লে। চাক ঈশিং থোংলে, ফিরোল ময়াম শুদোকপীরে। ইচানুপাদু হরাওজরে। নুমিদাংদা অমুক ডোক্টরদা চৎলি। য়েংলবা মতুংদা হীদাক-লাংথক ময়াম লৈরগা হল্লক্লে। ঐনা চেকশিন্না শেন্নদুনা হীদাক লাংথক চাং নাইনা পীজরে। য়ূমদগী পুরকপশিংদুসু ফুৎলগা পীথক্লে। মশা খরদি ফগৎলে, থাউ ঙৌবা, মচু হাপ্পা পোৎতি য়ারিমখৈ পীজদ্রে। অযূক্তা নুংতিগী ৱাকিং চৎপদা চাবা পুরি অহাওবদো ঙসিসু নীংশিংলি। পুরিগা তিলহৌ ঙাক্তগী সাক অমগা ওন্থোক্লা হাওখ্রে। নোংঙাল্লগা তাং ২৬ ইচানুপাগী মমান্নবশিং লাকই। তেলেগু ঙাক্তনি। ঐনা উতি থোংলগা চামিন্নৈ।

নোংঙাল্লগা তাং ২৭ তদি মশা খরা কনখৎতুনা কোলেজ চৎপা ঙল্লে। নুমিদাংদা 'বরফি' কৌবা ফিল্ম অমা য়েংবা চৎলি। মতমদুদা ফিল্মদু রিলিজ তৌবদা ঙাইরি। আইনোক্স কৌবা মল্টিপ্লেক্স সিনেমা হোল অমদনি। টিকেট মমল লুপা চাম কুম্থ্রানি। ইচানুপানে, মমান্নবা অমনে, মপাগা ঐখোয় মরিনি। মথক্তসু শোপ্পিং কমপ্লেক্স, ফিরোল, খোঙউপ অতাং-অতাংবা ময়াম অমসু য়োল্লম্মী। ঐদি ওন্থোকপনি তাঞ্জাদুদা মনুংদা চঙনিংলক্লে। সিনেমা হৌদ্রিঙৈদনি। ঐনা মনুংদা চঙবদা ওন্থোক্লা নান্না লৈরম্মী। বালটিনসু লৈরমদে, মগসু লৈরমদে। করিনোনে, ঐ ঙাইহাক্তং ৱাখল খল্লি। অদুদগী উরকই, ফক্লাংদা নপ্লিবা ষ্টিলগী পাইপতো। কোন্নদি ৱাখল তারকই, মদুদনা ইহান হানবা উবনি। হৌজিক্তি মণিপুরদসু য়াম হাপ্পরে। নোংঙাল্লগা তাং ২৮ কৃষ্ণ তুরেল মপান্দা লৈবা দুর্গা মন্দিরদা চৎলি। বসতা চৎপনি। অতোংমল লুপা ১১ খক্তনি। ভিজয়াৱাদাগী ইন্দ্রকীলাদ্রি হিলদা লৈবা দুর্গা লাইরেম্বী ফাওরবা হিন্দু মন্দির অমনি। লোইরোই লোইরোই অঙম্বদা সুম থেক্লা খোইনা কাই। লম্বীদা লাইশোল ঈশৈসু নুংশিনা থাই। অসুম-অসুম কাখৎলগা মথক্তা চাওরবা ফজরবা দুর্গাগী মন্দির অমা লৈরম্মী। মী ময়াম অমা ক্যুদা লেপ্পরি। ঐখোয়সু লেপ্পী। নুপীগী নুপাগী তোঙান-তোঙান্না। মন্দিরগী পুজারিদুনা মখূৎ খূৎশাশিংগী মরক্তুদা লুপা ১০০ চৎপী চপ্পগা লৈরি। মাগী মতৌদুদা ঐসে শেল য়াম্না কৎনিংদবা অমা ফাওরকই। ঐনা কৎকদবা খরা কৎলম্লগা অদুম থোরক্লে।

লৈরিবা য়ূমদুগী য়ূম্বুদু ভেটিরিনরি ডোক্টরনি হায়। নোংমতা মশক উদে। নুপীদুদি নোংমখক্তি উই। ঐখোয়গী থংনবা কাদা য়ূম্বুদুগী মমাদু কা মচা অমদা মতোমতা লৈ। কাদুদা লাইসু লাৎলি, চাকসু থোংই, তুম্ফম কাসু ওই। নোংমতা মমাগী মনাক্তা মচাগা মমৌগদু চঙলকপা উদে। মাগী হীদাক-লাংথক লৈবগীসু লৈকায়গী মীদা শেল পীরগা লৈহল্লি। ঐনা হলৱাগা হৌরগা পীজবদা হনুবীদুনা নোকফেৎ-নোকফেৎ তৌরগা হরাওনা চাই। হনুবীদু হিন্দিসু খঙদে, ইংলিশসু খঙদে। অদুবু ফাওনৈ থম্মোয়গী মরোলদি।

ঐখোয়গী লৈফমদগী কিলোমিটর ৪/৫ দং চৎলগা কৈথেল অমা লৈ। কোলাপনি, পোৎচৈসু হোংই। লৈবসু য়াম্না নুংঙাই। ঐগী সারিগসু লৈরকই।

তাং ২৯ মনাক নকপদা লৈবা সিনেমা হোল অমদা তেলেগুগী রিলিজ তৌবদা ঙাইরিবা রিবেল কৌবা ফিল্ম অমসু য়েংলুই। ইচম চম্বা হোলনি। টিকেট মমল লুপা ৪০ খক্তনি। ফিল্মদু হেক হৌবদা হোলদু পুমনিল নিল্লি। য়েংলিবা ময়ামদুনা লৈগা চাই, চে অঙাংবা, অশংবা মচু-মচুগী চপ্লগা মকুপ-মকুপসু চাইরকই।

তাং ৩০ নোংমাইজিং নুমিৎতুদি ইচানুপাগী মমান্নবা মণিপুরদগী মখোয় তরামুক ঐনা ঙা থোংলগা চামিন্নরে। ওক্টোবরগী তাং ১, নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৮.৩০ গী অদুৱাইদা ভিশাখাপতনমগীদমক ভিজয়াৱাদাদগী বস তোংলগা লাক্লে। নোংঙাল্লমদায় পুং ৫ দা ভিশাখাপতনম য়ৌরে। এয়রপোর্টতু পংচাও চাওবা নত্তে। মী ইচিক চিক্লম্মী। চঙবদা হঙ্গোইবা অমা য়াওই। মল্লি-মল্লি তৌবদুদা সিক্যুরিটি খরা নৎতনা কনামত্তা লৈরমদে। চাগা, চলগা খরা চাশিল্লে। পুং ৯ দা ভিশাখাপতনম থাদোক্লে। পুং ১২.৪০ কোলকটা য়ৌরে। কোলকটাদগী এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইটতা লাক্লে ইম্ফালগীদমক। ইম্ফাল হেক য়ৌবগা ইচানুপা অতোনবদু জোন্দিস নাদুনা লৈরম্লে। পোত্থাবা ফংদনা ডোক্টরদা অমুক পুরে। ঐ মতমদুদা অঙকপা অমদি ওইখি। মপান্দা লৈবা ইচানুপাদুগা য়ূমদা লৈহৌবা মনাওনুপাদুগা করম্না মতম অমত্তদা জোন্দিস নাখিবনো?◀◀

*- ডা. নির্মলা রাজকুমারী*